ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
Refreshingly Reliable
HUEIYEN LANPAO
হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

কুকি ইনদা পাঙথোকখিবা ললিত কলা সঙ্গমগী ৩১শুবা ফাউন্দেসন দে অমসুং ললিত কলা সঙ্গমগী ৱেবসাইট লোঞ্চ তৌবগী থৌরম হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপা

নেসনল ব্লদ দোনেসন দেগা মরী লৈননা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা জেনিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিনদা পাঙথোকখিবা ব্লদ দোনেসন কেম্প

য়ুনাইটেদ পিপলস এদমিনিষ্ট্রেটিভ কাউন্সীল মণিপুরনা রাইজিং ক্লব নম্বোলগা খুৎশম্নদুনা নম্বোল নাওরেম অৱাং লৈকায়গী লম্পাক্কী অকোয়বদা উঁহে পানবা পাম্বীশিং য়াওনা মখল কয়াগী উ চারাশিং থাখিবা

ঐখোয়গী য়াইফ লমজিং লূপ চিংঙা মথক্তা শীন্দুনা চহী অসিগী ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভ এগজামদা মায় পাক্লকখ্রবা অফবা মহৈরোয়শিংবু মনা পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখিবা

Vol. 44, Issue No.196 | নোংমাইজিং, মেরাগী ২৪ নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Sunday, October 11, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

নুপীশিংগী মায়োক্তা চথবা সেক্সুএল ওফেন্সশিংগী ৱাকৎশিং শুংশোয় শোয়দনা এফ আই আর লৌখৎনবা সেন্টরনা ষ্টেটশিংদা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সী) : নুপীশিংগী মায়োক্তা চথবা সেক্সুএল ওফেন্সশিংগা মরী লৈনবা কমপ্লেন্টশিংগী মতাংদা শুংশোয় শোয়দনা এফ আই আর (ফার্ষ্ট ইনফোর্মেসন রিপোর্ট) লৌখৎতুনা কেস রেজিষ্টর তৌনবা সেন্টরনা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি খুদিংমক্তা খঙহনখ্রে।

পুলিস ষ্টেসন অমগী জুরিদিক্সনগী ৱাংমদা ক্রাইম অমা চথবা তারবসু ভিক্টিম অদুনা খ্বাইদগী নকপা পি এস অমদা জিরো এফ আই আর (ফর্ষ্ট ইনফোর্মেসন রিপোর্ট) ফাইল তৌবা য়াগনি। নুপীশিংগী মায়োক্তা চথবা সেক্সুএল এসোল্টশিংগী থৌদোকশিংগা মরী লৈননা এফ আই আর লৌখৎকদবনি, খুদমচাংদম ওইবা য়াবা মচাকশিং ফোরেন্সিক এগজামিনেসন তৌননবা খোমজিনগদবনি অমসুং সেক্সুএল এসোল্ট ইভিদেন্স কল্লেক্সন (এস এ ঈ সী) কিট শীজিন্নগদবনি। থা ২গী মনুংদা সেক্সুএল এসোল্ট কেসশিংগী ইনভেষ্টিগেসন লোইশিনগদবনি। হঞ্জিন-হঞ্জিন্না সেক্সুএল ওফেন্দর ওইরবশিংবু মশক খঙদোক্লনবা নেসনল দেটা বেজ ওন সেক্সুএল ওফেন্দরসু শীজিন্নগদবনি হায়রি।

তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিং অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী চীফ সেক্রেটেরিশিংদা ইরাই নুমীৎতা ইশ্যু তৌখিবা সার্ক্যুলর অমদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রস (এম ঐচ এ)না হায়খি, লোগী অকনবা প্রোভিজন কয়া অমসুং তোঙানবা কেপাসিটি বিল্ডিংগী থৌরাং কয়া লৌখৎপা লৈরগসু পুলিসকী মায়কৈদগী তঙাইফদনা তৌফম থোকপশিং অসি থবক ওইনা পাঙথোক্তবা হায়বসি লৈবাক অসিগী ক্রিমিনেল জষ্টিস দেলিভরিগী থবক মরু ওইনা নুপীগী সেফটিগী মতাংদা লৈরিবা পান্দমশিংগা চান্নদে। পুলিসনা পাঙথোকফম থোকপা মথৌশিং পাঙথোক্লমদবা থেংনবা থোক্লবদি খুদক্তা ইনভেষ্টিগেসন চথবগা লোয়ননা মদুদা চেন্নরিবা মরী লৈনবা ওফিসরশিংগী মথক্তা খুদক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়না সার্ক্যুলর অদুদা পল্লি।

এম ঐচ এনা মরী লৈনবা খুদিংমক্তা লোগী প্রোভিজনশিং চেকশিন্না অমদি ঙাক্লা চৎনহন্ননবা খঙহনবগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেসন ট্রেক্কিং সিষ্টেম ফোর সেক্স্যুএল ওফেন্সেস (আই টি এস এস ও)গী প্রোগ্রেস মোনিটর তৌনবসু খঙহনখি। মসিনা মরাল লৈবশিংবু মতম চানা চার্জসীট ফাইল তৌবগী মতিক চাবা এক্সন লৌখৎপদসু মতেং পাংলগনি হায়নসু চীফ সেক্রেটরিশিংদা ইশ্যু তৌবা সার্ক্যুলর অদুদা মখা তানা পনখি।

উত্তর প্রদেশকী হথ্রাসতা থোকখিবা রেপ কেসকী থৌদোক অমগী মতুংদা নুমিৎ খরনি লৈরগা সেন্টরনা অনৌবা দিরেক্টিভ অসি পীরকখিবনি। থৌদোক অদুগী ভিক্টিম ওইরিবা নুপীমচা অদুগী হকচাং মহাক্কী ইমুংগী অয়াবা য়াওদনা ষ্টেট পুলিসকী পর্সনেলশিংনা অহিংদা নমদুনা মৈ থাখিবনি। থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইরবা থৌদোক অদুবু লৈবাক অসিগী পোলিটিকেল পার্টি, সিভিল সোসাইটি, রাইটস এক্তিভিষ্টশিং অমসুং অতৈ কয়ানা পাক শন্না কন্দেম তৌনখি।

মণিপুরগী কেস মশিং লিশিং ১৩ হেনখ্রে, মীওই ২সু লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী অপূনবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী কেস মশিং লিশিং ১৩ হেনখ্রে। পুং ২৪গী মনুংদা মীওই অনী লৈখিদ্রে, মীওই ২৮২ না পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মশাগী চহী ৫৫ শুরবা থৌবালগী মীওই ১ অমসুং মশাগী চহী ৭০ শুরবা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মীওই ১ পুন্না মীওই অনী লৈখিদ্রে। মীওই ২ অসি রাজ মেদিসিটি অমসুং শিজ হোস্পিটালদা লৈখিদবনি। হৌখিবা পুং ২৪ অসিগী মনুংদা নুপা ১৩৩ অমসুং নুপী ১২২ য়াওনা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ২৫৫ অমদি সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ)কী পর্সনেল ২৭ পুন্না মীওই ২৮২ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। পোজিটিভ কেসশিং অসি জেনিমসতা ১৯, রিমসতা ১, স্যুইজ হোস্পিটালদা ১, নোনেদা ১, তেংনৌপলদা ৩, চুড়াচান্দপুরদা ৩৫, ইম্ফাল ইষ্টতা ৭, বিষ্ণুপুরদা ১১, রিমেদি হোস্পিটালদা ১, উখ্রুলদা ৯, থৌবালদা ১১, আই আর এলদা ১, কামজোংদা ৭, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ১০৬, কাংপোকপীদা ৭, সী এম সীদা ৩, জিরিবামদা ৫, এ সী এম ঈদা ১, মার্দরস ক্যেরদা ২, জিবন হোস্পিটালদা ৪, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ২৩, রাজ মেদিসিটিদা ২, এসিয়ন হোস্পিটালদা ৪, এদভান্স হোস্পিটালদা ২, তমেংলোংদা ৫ অমসুং শিজদা ১১ থেংনখিবনি।

জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা কেসশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ১৩১, ইম্ফাল ইষ্টতগী ৪৪, কাংপোকপীদগী ৪, জিরিবামদগী ৫, সেনাপতিদগী ১, থৌবালদগী ১৫, নোনেদগী ১, তেংনৌপলদগী ৩, চুড়াচান্দপুরদগী ১৭, তমেংলোংদগী ৪, চান্দেলদগী ৩, বিষ্ণুপুরদগী ১৩, উখ্রুলদগী ৭ অমসুং কামজোংদগী ৭নি। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ওইনা ইম্ফাল

...মখা লামায় ৩ কলম ১

যুহা হাখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচ এন এস): ঙসি নুমিদাং পুং ১১.০৮ রোম তারকপদা মণিপুরদা মফম অয়াম্বদা রিক্টর স্কেল ৫.৩ য়ৌনা যুহা হাখ্রে। ইম্ফালদগী খা নোংচুপলোমদা কিলোমিটর ৪৬ চৎলগা লৈবা মফমদা যুহা হাবগী ইপিসেন্টর ওইখি হায়না নেসনল সেন্টর ফোর সৈস্মোলোজিনা পীবা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি। পাউ অসি ফোঙবা মতম ফাওবদা যুহা হাখিবা অসিগা মরী লৈননা অকায়-অতোয় থোকখিবগী পাউদি ফংখিদে।

সী এম উনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচ এন এস) : জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী অৱাৎ-অপাশিং মেনখৎপীয়ু হায়বা দিমান্দগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল মোনিটরিং কম্মিটি জিরিবামগী মীহুৎশিংনা ঙসি নুংথিল চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগা উনখ্রে। চীফ মিনিষ্টরগা উনরুরবা তুংদা কম্মিটি অসিগী কনভিনর এন সদানন্দনা হায়খি, চীফ মিনিষ্টরগা উনখিবা অদুদা কম্মিটিনা তান্দুনা লাকপা দিমান্দশিং অয়াম্বা পীরগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে। উনবা অদুদা কম্মিটিগী অসিগী মায়কৈদগী মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি। উনবা অদুদা জিরিবাম এ সীগী এম এল এ অসব উদ্দিনসু শরুক য়াখি।

‘ইন্দিয়াগী ফোর্সতা লান্দাখ্রে’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ : চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা শজিক তম্পাক্কী মোনঘৎ আইবোলদা ঙরাং নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তারকপা মতমদা আর পি এফকী লান্মী শঙলুপ পি এল এগী ২৫২ মোবাইল বট্টালিয়নগী অখন্নবা কাঙবু অমনা মফম অদুদা লৈরিঙৈদা ইন্দিয়াগী ফোর্সশিংনা চঙশিল্লকপদগী অকনবা মওংদা মখোয়গী মথক্তা ২৫২ মোবাইল বট্টালিয়নগী কাঙবুনা লান্দাখ্রে। লান্দা অদুদা ইন্দিয়াগী ফোর্সশিং অশোক-অপন, অশিঅনা নংখি হায়না রেভল্যুস্নরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ)কী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি পব্লিসিটি বঙ্কিমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কোরকোমনা ওক্টোবর ১৫দা টোটেল সটদাউন লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ : মণিপুর কংলৈপাকপু ইন্দিয়াদা তীনশিল্লে হায়না লাউথোকখিবা নুমীৎ ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯ অসি হৌখিবা চহী খরগী মমাঙদগী কোরকোমনা ইরৈচ মীয়ামগা লোয়ননা নুমীৎ অসিবু ‘নেসনল ব্লেক দে- লৈবাক্কী অমম্বা নুমীৎ’ হায়না নীংশিংদুনা লাক্লি। মরম অদুনা লাক্লিবা ওক্টোবর ১৫গী অয়ুক পুং ৬তগী নুমীদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা মণিপুর পুম্বা টোটেল সটদাউন লাউথোক্লে হায়না লোনা অথিংবা থমখ্রবা কোরকোমগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর এম শকহেননা থাদোরকপা কোরকোমগী পব্লিসিটি কম্মিটিগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুর (কংলৈপাক)কী লৈবাক মীয়াম্না খঞ্জবা কাউন্সীল ওফ মিনিষ্টরশিংগী অমদি মণিপুর মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা ইন্দিয়ানা শরৌ শীন্নরগা খ্বাইদগী দেম্মক্রেটিক ওইদবা মওংদা নম্ফুদ্দা মতমদুগী নিংথৌবু শিল্লোংদা কুমজা ১৯৪৯ গী সেপ্টেম্বর ২১দা মাঙজৌননা শেমদোক্লগা থম্লবা নমথাক্কী য়ান্ন-ৱারোলদা নিংথৌবু খুৎয়েক পীহনখি অমদি কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫ দা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা লৈরে হায়না ওফিসল ওইনা লাউথোকখি। চহী লিশিং কয়া নিংথৌ পান্দুনা নীং-খা তম্বা লৈবাক অমা ওইরকখ্রবা মণিপুর (কংলৈপাক), ইচম চন্বা দিষ্ট্রিক্ট অমগী থাক্তা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

মালেম অসিদা ইন্দিয়ন মুস্লিমশিংনা খ্বাইদগী পেন্নিংঙাই ওইনা হিংই : আর এস এস চীফ

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সী) : মালেম অসিদা ইন্দিয়ন মুস্লিমশিংনা খ্বাইদগী পেন্নিংঙাই ওইবা পুন্সি মহিংদা হিংলি হায়না আর এস এসকী চীফ মোহন ভঘৱাটনা ফোঙদোকখ্রে।

মহারাস্ত্রদা বেজ তৌবা মেগজিন বিভেক্কী ইন্টরভিয়ু অমদা ভঘৱাটনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি মদুদি ইন্দিয়াদা লৈনবগীদমক্তা কনামত্তনা হিন্দুশিংনা পুমহেন হেনবগী ৱাফম অসিবু য়াগদবনি হায়বা লৈতে। কন্সটিট্যুসন্নসু হায়বা লৈতে।

রুলিং বি জে পিগী আইদোলোজিকেল মেন্টর ওইরিবা আর এস এসকী মকোক অসিনা মহাক্কী মীৎয়েংশিং খঙহল্লদুনা হায়খি মদুদি হিন্দু হায়বসি কনানা করম্বা লাইশোন শোল্লি নৎত্রগা করম্বা লাইনিং চৎলি হায়বসিগা মরী অমত্তা লৈনদে। তশেংনমক রিলিজন হায়বসি মীপুম খুদিংমকপু হেন্না ৱাংবা থাক্তা চিংখৎনবগী অমদি অমগা-অমগা শম্নহন্দুনা অমত্তা ওইবগী ফিভম পুরকপা ঙম্বা লংলা অমগুম্বনি।

ইন্দিয়া অমসুং লৈবাক অসিগী কলচরদা কথোকপগী ৱাফম লাকপা মতমদা মীপুম খুদিংমক্না পারি-পুরিশিং নীশিংদুনা চাওথোকচবগী ৱাখল অমা পোকচবা ঙম্মী। অসিগুম্বা

...মখা লামায় ৩ কলম ১

এয়রপোর্ট দ্রগ কেস : ফাষ্ট ট্রেক্ট কোর্টনা এদজোর্নমেন্ট অমত্তা তৌদনা ৱায়েল চথরগনি হায়খ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচএনএস): মণিপুরদা থোকখিবা লুপা ক্রোরগী মমল ওইগদবা অথিংবা থম্বা দ্রগশিং ফাগৎখিবা কেসশিংগী মনুংদা ‘এয়রপোর্ট দ্রগ কেস’ হায়দুনা খঙনরক্লিবা লৈবাক ৱাথোক ওইখিবা কেস অসিগী ৱায়েলদা এদজোর্নমেন্ট তৌননবা হায়জরকপা মখল অমত্তগী প্রেয়রদা অয়াবা পীদনা ৱায়েল চথরগনি হায়না নার্কোটিক দ্রগস এন্দ সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্সেস (এন দি এন্দ পি এস) কী স্পেসল কোর্ট (ফাষ্ট ট্রেক্ট কোর্ট) না খঙহনখ্রে।

অনৌবা ওর্দর অসি ইম্ফালগী উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈরিবা স্পেসল জজ (এন দি এন্দ পি এস) ফাষ্ট ট্রেক্ট কোর্টকী অনৌবা প্রেসাইদিং ওফিসর লমখনপাও তোম্সিংনা থাসিগী ৩দা পীখিবনি।

মহৌশাগুম্না এয়রপোর্ট দ্রগ কেস অসিগী চথরক্লিবা ৱায়েলগী শরুক্তা কেস অসিগী প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস (পি দব্লিয়ু) শিংগী এগজামিনেসন চথগদবশিংগী ৱাৎহৌবশিংগীদমক নুমিৎসিদা লিষ্ট তৌখিবনি।

কোর্টনা কেস অসি লৌখৎলকপদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) গী স্পেসল পব্লিক প্রোজিক্যুটর এগজামিনেসন তৌনবগীদমক সম্মোন তৌদুনা কৌখিবা পি দব্লিয়ুশিং লাক্ত্রে অদুনা মসিগীদমক মতম পীবিনবা প্রেয়র তৌখি।

মহাক্না ফাষ্ট ট্রেক্ট কোর্ট অসিদা মখা তানা সবমিসন তৌখিবদা হৌজিক ফাওবদা কেস অসিগী অপূনবা পি দব্লিয়ু ৯০গী মনুংদা ৪৫ এগজামিন তৌরে। লেমহৌরিবা পি দব্লিয়ুশিংগী মনুংদা শুপ্নতগী অনীখক নত্তনা অতৈদি ষ্টেটসিগী ৱাংমংদগী ঙাক্তনি। মণিপুরদগী য়াওরিবা পি দব্লিয়ু অনীসিসু ওফিসল ৱিটনেস ঙাক্তা ওইবনা মখোয়গী ইভিদেন্সশিং অদু কেস অসিদা মেটরিএলশিং ওইদে হায়খি। লোয়ননা মপান্দগী য়াওরিবা পি দব্লিয়ুশিং অসি হৌখিবা মে/জুন থাদা লাক্লম্মী। অদুবু মখোয়গী ইভিদেন্সশিং লৌখিদে। হৌজিক্না কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্কী লোকদাউননা মরম ওইরদুনা পি দব্লিয়ু এগজামিনেসনগী থবক লৌখৎপা ঙমদ্রে

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

HL Poll
Q: Manipur da lamlakki sa-ucheksing kannanaba leingakki mari leinaba authorityna matik chaba thabak paikhatli khanbra ?
POLL CLOSES AT MIDNIGHT
Yes ☐ No ☐
Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu
NGARANG GI RESULT
Q: November 7 ta pangthok-kadouriba marakki meekhal asida money power amasung muscle power sijinnaba thingba ngamgani khanbra ?
Yes 20% No 80%

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৮.৯৫ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.০৭ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০০.০৫ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.১১
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৫১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!

- নখোয়না কৎলরবনিনা ঐ পায়শিল্লেহে।
- ꯅꯈꯣꯌꯅ ꯀꯠꯂꯔꯕꯅꯤꯅ ꯑꯩ ꯄꯥꯌꯁꯤꯜꯂꯦꯍꯦ꯫



- কৈসু কায়দে পায়শিনবীয়ু অকৎপা ঐখোয়না লাল্লি ইয়াম্বা।
- ꯀꯩꯁꯨ ꯀꯥꯏꯗꯦ ꯄꯥꯌꯁꯤꯟꯕꯤꯌꯨ ꯑꯀꯠꯄ ꯑꯩꯈꯣꯌꯅ ꯂꯥꯜꯂꯤ ꯏꯌꯥꯝꯕ꯫

এক্স-মিনিষ্টর জয়ন্তকুমারনা হায়কোর্টকী জজমেন্টকী মায়োক্তা ফাইল তৌরুবা এস এল পি সুপ্রীম কোর্টনা দিসমিশ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ৱেষ্টকী ১২-কৈশামথোং এসেম্ব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদগী ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেম্ব্লী ইলেক্সন, ২০১৭তা এন পি পিগী টিকেটতা কারক্তুনা বি জে পিনা লুচিংলিবা লৈঙাকসিদা মিনিষ্টর ওইরম্বা লাংপোকলাকপম জয়ন্তকুমারগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন অমগা মরী লৈননা এক্স-মিনিষ্টর অসিনা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকপা মিসেলিনস কেস অমগী মতাংদা পীবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরগী মায়োক্তা সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌরবা এস এল পি অমা দিসমিশ তৌরকখ্রে।

এক্স-মিনিষ্টর অসিগী মায়োক্তা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন অদুগী নম্বর- ১১ ওফ ২০১৭ নি। পিটিসন অসি পাঙথোকখ্রিবা মীখল অদুগা এক্স-মিনিষ্টর অসিগা লম্বা তৌনখিবা কোংগ্রেস মীরেপ লাইশোম ইবোমচা (৬৮), অপোকপা লৈখিদ্রবা এল তোম্বা, কৈশামথোং লাইশোম লৈরক্লা পিটিসনর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি।

ইলেক্সন পিটিসন অসিদা রেস্পোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লিবনা এক্স-মিনিষ্টর লাংপোকলাকপম জয়ন্তকুমার (৫৫), অপোকপা লৈখিদ্রবা ডা. এল ভাগ্যচন্দ্র, পিশুমথোং ওইনাম লৈকায়, রাজ কুমার শিবচন্দ্র (৫১), অপোকপা লৈখিদ্রবা আর কে সনায়াইমা, ক্বাকৈথেল লাইশ্রম লৈকায়, পোৎশংবম ধনকুমার (৬১), অপোকপা লৈখিদ্রবা পি কলাচান্দ, হাওবম মরক ঙাঙোম লৈকায়, হৈস্নাম লোকেশ্বর (৫২), অপোকপা লৈখিদ্রবা ঐচ মঙ্গোলজাও, সেগা রোদ খ্বাইরাকপম লৈকায়, খাবা পাওনম (৩৩), অপোকপা পি রাজমনি, কৈশামথোং হোদাম লৈরক, য়ুম্নাম রোমোলা (৪৭), অপোকপা ৱাই বিরেন্দ্রো, কৈশামথোং এলাংবম লৈকায় অমসুং সী ঐচ গনেশলাল (৫২),

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

ক্বালিটি লৈনা থবক শুরমদবশিং বিল পীরোই : এদ্যুকেসন মিনিষ্টর

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচ এন এস) : এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী মখাদা শেমগৎ-শাগৎলিবশিংগী মরক্তা ক্বালিটি লৈনা থবক শুরমদবশিং বিল পীরোই হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেননা চেকশিন ৱা থমখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা তোঙান-তোঙানবা লৈঙাক্কী কোলেজশিং য়েংশিনবগী খোঙচৎতা ৱাফম অসি এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেননা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, হৌজিক হৌজিক গভর্ণমেন্ট কোলেজশিংগী লৈরিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অসি পেন্নিংঙাই ওইদে। দি এম কোলেজ ওফ টিচরস এদ্যুকেসন্দা শাগৎলিবা লাইব্রেরী বিল্ডিং অসিগী রিভিয়ু তৌবগী মথৌ তারি। মরমদি বিল্ডিং অসি শেমগৎশাগৎপগী ক্বালিটি অসি পেন্নিংঙাই ওইদে। বিল্ডিং অসি শেমগৎশাগৎপগী থবকসু লেপহন্ননবা মরী লৈনবা এঞ্জিনিয়রিং দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংদা খঙহনখি। এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টতা ফন্দগী মতুংইন্না লিবরেল কোলেজগী ফীভম শোক্লবা কাশিং অমদি ব্লোক শেমজিন্ননবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

খোঙচৎ অদুদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেননা দি এম কোলেজ ওফ টিচরস এদ্যুকেসন, নম্বোলদা এন সানোই কোলেজ, ইম্ফাল কোলেজ, জি পি ৱিমেন কোলেজতা শেমগৎশাগৎলিবশিং য়েংশিনখিবগা লোয়ননা লিবরেল কোলেজ অমসুং

...মখা লামায় ৩ কলম ১

ষ্টেট অসিদসু মেন্টেল হেল্থকী অখন্নবা হোস্পিটাল লৈঙাক্না শাবা মথৌ তারে : ডা. লেনিন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচ এন এস) : নেসনল মেন্টেল হেল্থ সর্ভেগী মতুংইন্না ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীওই চান্মাগী মনুংদা মীওই ১৩দি পুক্নিং ৱাখলগী লায়না মখল অমা নৎত্রগা অমনদি নারি। মণিপুরগী ওইনসু চাদা মীওই ১৯ পুক্নিং ৱাখলগী লায়ননা নাবা মীওই লৈরে। মরম অদুনা লৈঙাক্না ষ্টেট অসিগী ওইনা মেন্টেল হেল্থ খক্কী ওইবা হোস্পিটাল অমা অথুবা মতমদা শেমগৎ-শাগৎপগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না দিপার্টমেন্ট ওফ সাইক্যাট্রি রিমসকী প্রোফেসর এন্দ হেদ ডা. লেনিননা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

পুক্নিং ৱাখলগী অনাবনা নারবা মীওইশিং লায়েংবা হায়বসি মীওই খুদিংনা ফংফম থোকপা রাইটনি। পুক্নিং ৱাখলনা নারবা মীওইশিং অসি মমাংদদি ইন্সুরেন্স স্কিমশিংদসু য়াওরমদে অদুবু হৌজিক্তি য়াওরগনি। সর্ভে অসিগী মতুংইন্না পুক্নিং ৱাখলনা নারবা মীওই চান্মগী মনুংদা মীওই

...মখা লামায় ৩ কলম ২

ফিঙাং লান্মী লিংখৎখিবগী ৪৪শুবা নুমীৎকা মরী লৈননা য়াওলগী ঈকায় খুম্নবা উৎলক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ : প্রিপাক (প্রো) গী ফিঙাং লান্মী লিংখৎখিবগী ৪৪শুবা নুমিৎ ওক্টোবর ৯, ২০২০গা মরী লৈননা ঐহাক্না পার্টিগী মহুৎ শিঞ্জদুনা নীংতম য়াওল ঈহৌদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা খুদিংমক্কী মফমদা য়াওলগী ইকায়খুম্নবা উৎচরি হায়না লোনা অথিংবা থমখ্রবা প্রিপাক (প্রোগ্রেসিভ) কী চ্যেরমেন এল পালিবা এমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

প্রিপাক (প্রো)গী চ্যেরমেন এল পালিবা এমনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা, কোরোনাভাইরস লাইচৎনা মীশি-মীনা নংহন্দুনা অৱাচৈথেং ফংহল্লিবা ইমুং-মনুংশিংগী অৱাবদসু শরুক য়াজবগা লোয়ননা লাইচৎ অসিবু মাঙজিল থানা মায়োক্লরিবা পুম্নমকপুসু ইকায়খুম্নজরি। লমদম অসিগী ৱাখল্লোন মান্নবা য়াওল্লুপশিংবুসু ইকায়খুম্নজদুনা, নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মীয়ামদা ৱাফম খরসু থম্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, নুমিৎ ১৮দা মহাভারতকী লান মায় পাক্লগা লোইশিনখিবগুম্না কোভিদ-১৯গী লাম্হেংসু নুমিৎ ২১দা লাকশিনবা ঙমগনি হয়না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা মীয়ামদা থাজবা থম্লগা ইন্দিয়াগী অহানবা লোকদাউন চথখিবনি। অদুবু তাঙ্কক ৪ শুখ্রবা লোকদাউন অমসুং অনলোক্কী তাঙ্কক ৫ য়ৌশিল্লবা মতম অসিদা কোরোনাভাইরসপু লাকশিনবদি লায়রদনা হেন্না শনে দারকপা লেপত্রি। লাইচৎ অসিবু লাকশিন্নবগী লোকদাউন তৌরিব্রা নৎত্রগা দেমোক্রেসিবু লাকশিন্নবা লোকদাউন তৌরিব্রা, কোভিদ-১৯গী লাম্হেং অসিদা মায়থীরিবা নৎত্রা হায়নসু হংলক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ইন্দিয়াগী লৈঙাকলোই লুচিংবশিংনা কোভিদ-১৯বু লাইগী নোংদমনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী শিথরবা শেন্মীৎকী ফীভমসু লাইচৎ অসিনা শোকহল্লবনি হায়বরোমদা থেংননবা হোৎনরি। মতাং অসিদা নীংশিংবা য়াবদি মহাত্মা গান্ধীনা বিহারদা থোকখিবা কুমজা ১৯৩৪গী আর্থক্কেক অদুবু শোক্লশম্নবা যাদনা ইন্থোকখ্রবা ‘হরিজান্স’ শিংদা

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

হৌজরে ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯀꯦꯕ ꯁꯔꯚꯤꯁꯦꯁ হৌজরে
নিংথিনা সেনিতাইজ তৌরবা
Manipur Cab Service হৌজরে।
মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা বুক তৌবিয়ু।
Dial: 18003453838
6909967574 / 8258070746
6909608909 / 9402267525
MANPUR CAB SERVICES
Service starts 9:00 a.m.
Service upto 5:00 p.m.
ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯀꯦꯕ ꯁꯔꯚꯤꯁꯦꯁ
Manipur Cab Services
2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal
Powered by: Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.
HL-B/6441/7th Oct. to 5th Nov.

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫